**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27.04.2024)**

**সিআরপি (এল) ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নারানসৈনা মনিং চীংগী অকোইবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথুবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামারুম ফাগৎলে। ওপরেসন অদু ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদা মফম অদুদা লৈবা অনিশুবা আই.আর.বিগী হেদ ক্বাটরগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা খুল ঙাকপগী থৌদাং লৌদুনা লৈরিবা সি.আর.পি.এফকী ১২৮ শুবা বটালিয়নগী (বি) কম্পানিদা খুৎলায় পায়বশিংনা চীংথকলোমদগী নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা মীশি মীনা থোকহনখ্রবা মতুংদা চথুখিবনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা সি.আর.পি.এফকী সব-ইন্সপেক্তর অদু অসামদগীনি। অদুগা অতোপ্পা লৈখিদ্রবা হেদ কন্সটেবল অদুনা নোংচুপ বেঙ্গোলদগীনি।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা, সি.আর.পি.এফ. অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিং য়াওনা থৌদোক থোকফমদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথুখি। মদুদা, নোংমৈ মরু ১৪৫ য়াওনা কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরুগী টোকিং কয়ামরুম ফংবা ঙমখি। মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা নোংমৈ মরি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি। মসিগা লোয়ননা লাংচিংমানবী অমসুং খোইরেনতাক এরিয়াদা শারম্বা বঙ্কর অহুমসু অপুনবা সেক্যুরিতিগী কাংবু অদুনা থুগায়দুনা মাঙহনখি হায়রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা এফ.আই.আর লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে।

**সিএম (এল)ঃ** নরানসৈনা এরিয়াদা সি.আর.পি.এফতা এট্টেক তৌদুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা য়ামা কন্না

য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগীদমক মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা এট্টেক তৌখিাব অসি য়ামা পাংদবগী থৌওংনি।

**মরক অসিদা,** সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহনা সি.আর.পি.এফতা নোংমৈ কাপশিনদুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা থৌদোক অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

লান্নাই ন্যুজ চেন্নেল অমগা ৱারী শান্নবদা শ্রী সিংহনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা নীংথিনা থিজিনদুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎকনি।

মহাকা হায়-নাকল অনিমক্কী মরক্তা শান্তি হনজিলহন্নবা কন্না হোৎনরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা অতমনা খুৎ থারকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। অসিগুম্বা কা হেনবা থৌওংশিং অসি কৈদৌনুংদসু খাঙদুনা লৈরোই।

**সিনাম (এল)ঃ** সিনাম খুলদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম প্রেমগী হকচাং পাৎলৌ চিংজিলদা লৈবা অথৌবশিংগী য়াতাফমদা লৈরোল চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-সিনামদা লৈবা ভিলেজ প্রোটেক্সন ফোর্সনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু ইম্ফালগী জেনিমসকী মোর্গতগী লৌরবা মতুংদা মহাক্কী পোকফম সিনাম খুলদা পুদুনা মীয়ামনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, মহাক্কী হকচাং অদু অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নবা অদুদা ভিলেজ প্রোটেক্সন ফোর্সকী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা ক্ষেতিপুরোন অমদি চান্নবা থবক পীনবা, সিনাম খুল অমসুং মসিগী অকোইবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা তোকনবা

মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা অমসুং মফম অদুদা ষ্টেট সেক্যুরিতি ফোর্স মতিক চানা থন্বীনবা ৱাফমশিং তকশিনখি। ৱাফমশিং অদু য়েংশিনদুনা থবক্তা ওন্থোকপা য়াবশিং ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা পীখি হায়রি।

**ফিল্ম (এল) ঃ** ১৫ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড-২০২৩ গী মনা মথুমশিং ঙসি রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা ইম্ফালদা য়েন্থোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড ২০২৩ গী ওইনা ওজিৎ বাবু নিংথৌজমনা দিরেক্সন পীবা 'ঐগী নুপী তমালাইনা' বেষ্ট ফিচর ফিল্মগী মনা ফংখ্রে। খ্বাইরাকপম বিশ্বমিত্রনা দিরেক্সন পীবা 'ইৱাই' ফিল্মনা বেষ্ট নোন-ফিচর ফিল্মগী মনা ফংখ্রে।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর দাইরেক্তোরেটনা শিনদুনা ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা সুশ্রী অনুসিয়া উইকেনা হায়-য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মনিপুরি ফিল্ম অসি থোইদোকপা মফম অমা কনদুনা অদুম্মক লাক্লি। তোঙান তোঙানবা চাংদমবা কয়াদা মনিপুরি ফিল্মনা মনা কয়া ফংল্লকখিবা অসি পুকিং থৌগৎনিংঙাইনি। রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কংলা সংস্কৃত্তি য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনবদা মনিপুরি ফিল্মনা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। খুন্নাইদা কান্নগদবা ৱাখল লৌশিং কয়া পীবা ঙমগদবা অমদি খুন্নাইবু হেন্না ফবা মায়কৈদা লমজিংবা ঙমগদবা ফিল্মশিং মশিং হেন্না পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মনিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা পল্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-হৌখিবা চহি অমরোম অসিদা লাইবক থিবা ইরাং অসিনা ঐখোয় পুমমকপু লাইবক থিবা ফিভম অমদা লৈহল্লে। ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরক্তুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুমমকা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নরসি হায়নসু রাজ্যপালনা আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা এস.এন. চান্দ সিনে অরক্রাইব এন্দ ম্যুজিয়মগী ইগজিবিসন গেলারিসু হাংদোকখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** হৌখিবা থা অসিগী ২৪ দা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা শিংখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই কয়াগী য়ুম-কৈ অমাং অতা থোকহনবদগী অৱাবা তারবা ইমুং মনুংশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী মতেং পাংবীনবা জিরিবামগী এম.এল.এ.-আসপ উদ্দিনা আপিল তৌরি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীগা অখন্ননা উন্নবা অমদা এম.এল.এ অসিনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা জিরিবামদা য়ুম কয়া হুমদোকপদগী মীওই লিশিং অনিরোম ময়ুম-কৈ লৈতবগী খুদোংচাদবা চাউনা মায়োকরে। নোংলৈ নংশিৎ খক্তা নত্তনা কা হেন্না লেন তাবনা অমাং অতা হেন্না থোকহনখি। জিলা অসিগী মীওই কয়াগী য়ুম কয়া কা হেন্না অমাং অতা থোকপনা এম.এল.এগী মায়কৈদগী মতেং পাংবা খক্তনা মপুং ফাবা য়ারোইদবা মরমনা সরকারনা মীৎয়েং চংবীনবা আপিল তৌরি।

**ভেটিরিনারি (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ভেটিরিনারি ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ভেটিরিনারি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী ভিটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি দাইরেক্তোরেট অমসুং রেজিস্ত্রা মনিপুর ষ্টেট ভেটিরিনারি কাউন্সিলনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ভিটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি সাভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা য়ুমদা য়োকপা শা-উচেকশিং মশা মউ ফনা থমদুনা শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্নবা নোনা ৱারেপ লৌরসি।

হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা এন্টি রেভিষ্ট ভেক্সিন লিশিং ৭৫ হেন্না কাপথোকখ্রে।

থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসনা শিনদুনসু ৱার্ল্ড ভেটিরিনারি ডেগী থৌরম ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ভেটিরিনারিগী জোইন্ট দিরেক্তর-পি. গোজেন্দ্রনা হায়-য়ুমদা লোইবা শা-ষনশিং মতম চানা হিদাক কাপথোকপা হায়বসি তঙাইফদে। মরুওইনা হুই অমদি হৌদোংশিংবু এন্টি রেভিষ্ট ভেক্সিন কাপথোকপনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা য়ুমদা লোইবা শা-ষন, হুই অমদি হৌদোংশিংদা লেমা হিদাক কাপথোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজ ইন্টিলেকচুয়েল প্রোপরতি রাইটস সেল অমদি কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জিওলোজিনা শিনদুনা ঙসি ‘ৱার্ল্ড ইন্টিলেকচুয়েল প্রোপরটি ডে’ পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার-হঞ্জবম মনোরঞ্জন শর্ম্মা, জিওলোজি দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট-ডা: আর.কে. রঞ্জিৎতা অমদি পেন্টেন ইনর্ফোমেসন সেন্টর (পি.আই.সি) মনিপুর মাস্তেক্কী প্রোজেক্ট স্তাফ লেকচরর-এল. সুরজিৎ সিংহ্ শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী কুইজ কম্পিটিসন অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

**এৱারনেস (এল) ঃ** মোইরাং কলেজতা ঙরাং ই-ৱেজ মেনেজমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা হীরম অসিদা পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**থৌপাং(এল)ঃ** সাহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌ) লুপনা ৱার্ল্ড প্রেস ডেগা মরী লৈননা পীবা থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্ড, চহি অসিগী ওইনা মনিপুরদা মীয়ামা

থোইদোকা হেন্না শক খঙনরবা সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট-প্রদিপ ফানজোবমদা পীরগনি।

মনা অসি মথং থাগী ৩ দা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড প্রেস ডেগী থৌরমদা লাম্হোক্কনি হায়রি।

**মনা (এল)ঃ** ডা: মোইরাংথেম ধনবির সিংহদা কেন্দ্রগী কোরপোরেট এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না রাস্ত্রিয়া পদ্মভুষন সমান এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনা অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** তরেৎশুবা ৱারী লীবা চৈরাউ ফেষ্টিবেল ২০২৪ অমসুং ৱারী লীবা অহুম ফম্বীগী ৱার্কশোপ কপ প্রদক্সন ঙসিদগী অসামগী লংকা পি-পোল পুখ্রি নম্বর ৱানদা লৈবা গৌরিয়া মন্দিরদা হৌখ্রে।

চীফ মিনিস্তরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাংগী মখাদা রিপটরি ওফ ৱারী লীবা মনিপুরনা মসিগী হোজাইদা লৈবা ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি ব্রান্সকা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চত্থগনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** দি.এস.এ. গ্রাউন্দ ককচিংদা চত্থরিবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিক-২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ন পাঞ্জল অমত্তা চন্নবদা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

গ্রাউন্দ অসিমক্তা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এঠলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

লমলোংগী আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা লিৱা চংনিং য়ুথ কলচরেল ক্লবনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

**মীখলঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কীদমক ভোট খোন্বগী থবক কনখৎনরকি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অমদি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী অহুমশুবা টার্মদা ভারত অসি মালেময়গী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক অহুমগী মনুং চল্লগনি।

ঙসি গুজরাটকী পোরবন্দরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শ্রী সাহনা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা হোৎনবদগী শিংথানিংঙাই ওইরবা রাম মন্দির শাবা, আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকপা অমদি লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙম্বনি। মহাকা মখা তানা হায়-বি.জে.পি. সরকারনা গুজরাটকী ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চপ চানা থেংনদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক্তি ঈশিংগী অৱাবা লৈত্রে।

অমরোমদা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজন খর্গেনা হায়-মহাক্কী দলনা মীয়ামগীদমক পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশকখিবশিং মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনগনি।

অসামগী গুৱাহাতিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী খর্গেনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না মীয়ামদা ৱাশকখিবশিং মপুং ফানা থবক্তা ওনথোকপা ঙমদ্রি। বি.জে.পিনা থবক কোতি অনি পীগনি অমসুং লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনি হেনগৎহনগনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু হৌজিকসু থবক্তা মপুং ফানা ওন্থোকপা ঙমদ্রি।

**সিখঃ** দিল্লিগী সিখ গুরুদুৱারা মেনেজমেন্ট কমিতিগী থৌ পুরিবা মীওই খরা ঙসি বি.জে.পিদা য়াওখ্রে।

থৌরম অদুদা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, জেনরেল সেক্রেটরি-তরুন চুগ, দিল্লিগী বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-বিরেন্দ্র সচদেব শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শ্রী জে.পি. নদ্দানা হায়-দল অসি খক্তনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইবগী শক্তম পুরকপা ঙমগনি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা

সিখশিংগী য়াইফনবা খোঙথাং অমসুং থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

**আরচরি ঃ** চাইনাগী সংহাইদা চথুরিবা আরচরি ৱাৰ্ল্ড কপতা ভারতকী আরচরশিংনা ঙসি সনাগী তকমান অহুম লৌরে। নুপা কম্পাউন্দ টিমদা প্রিয়াঙ্স, অভিসেক বরমা অমসুং প্রথমেস ফুগিগী টিমনা নেদরলেন্দসকী টিমবু মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখি। জ্যোতি সুরেখা ভেনম, অদিতি স্বামি অমসুং পরনিত কোরনা নুপীগী কম্পান্দ টিমদা ইটলিবু মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখি। মিক্স কম্পাউন্দ টিমদনা জ্যোতি অমসুং অভিসেক্কী জরানা ইষ্টোনিয়াগী জরাবু মায়থিনা পীরমখি।

২০১০ গী কম্মনৱেলথ গেমসকী গোল্ড মেদালিষ্ট দিপিকা কুমারিসু রিকর্ভ ইভেন্টকী সেমি ফাইনেল চংলে।